
ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
হুইয়েন লানপাউ
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




Vol. 49, Issue No. 161 | শগোলশেন, লাংবনগী ১৯নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, September 11, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50

### সম্বিত পাত্র ১সুং অজিৎ গোপচারে অমুক লাক্লে

# বি জে পি, এন পি এফ, এন পি পিগী এম এল এশিংগা মথং-মথং উন্নখ্রে মোদিগী খোঙচৎকীনি হায়বা নত্তনা লৈঙাক শেম্বগীদি চেক-মোক লাউদ্রি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৩দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পুং খরগী খোঙচৎতা মণিপুরদা শোয়দনা লাক্লগনি হায়বদগী মহাক্কী খোঙচৎ অসিগীদমক ষ্টেট বি জে পি য়ুনিট অমদি গভর্ণরনা লুচিংলিবা লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাংশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা মথৌ তাবা থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক লাকপনি হায়রগসু ঙসি ইম্ফালদা থুংলখিবা বি জে পিগী নোর্থ-ইষ্টকী কোওর্দিনেটর সম্বিত পাত্র অমসুং পার্টি অসিগী মণিপুরগী ইন-চার্জ অজিৎ গোপচারেনা বি জে পিগী খক্তা নত্তনা মমাঙগী লৈঙাক্তা চৎমিন্নরম্বা এন পি এফ অমসুং শৌগৎলম্বা এন পি পিগী এম এল এশিংগসু উনদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে।



অদুম ওইনমক পার্টিগী লুচিংবা অনীগা উন্নদুনা পাঙথোকপা মীফমদা শরুক য়ারুবশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরগী খোঙচৎ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### যু এন সীনা লল্লোন-ইতিক্কী পোৎ-চৈশিং থিংবগী খোঙজং চথরি

# চীফ সেক্রেটরিনা অমুক হন্না যু এন সীগা ৱারী শাননবা খঙহনখ্রে ৱারী শানগদ্রা-শানরোইদ্রা হায়বগী ৱারেপ ঙসি লৌগদৌরি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুর অমসুং ম্যান্মারগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা চৎনহল্লম্বা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম (এফ এম আর) লৌথোকখিবা অমসুং মণিপুরগা মপান লৈবাক অসিগা তাইনরিবা ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খারকপবু য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) না লুচিংবা নাগা ফূরুপকী লূপশিংনা এফ এম আর অমুক হন্না চৎনহনগদবনি অমসুং বোর্দর ফেন্সিং তৌবা য়ারোই হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা অকনবা খোঙজ ংশিং চঙশিল্লকপদগী হোম মিনিষ্ট্রিনা কৌদুনা য়ু এন সীনা লুচিংবা নাগা ফূরুপকী সী এস ওশিংগী মীহুৎশিংগা উনদুনা মীফম পাঙথোকপদা য়াশিন্নবা পুরক্তবদগী চথরক্লিবা নাগা তাবা মফমশিংদা লল্লোন-ইতিক্কী পোৎ-চৈশিং পুথোক পুশিন



তৌবা থিংবগী খোঙজং মখা চথরি।

খোঙজং অসি থা অসিগী ৮ অমসুং ৯গী লোন্নবা অহিংদগী এন ঐচ-২ (ইম্ফাল-দিমাপুর) লম্বী অমসুং এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বী পরিংদা চথরকখিবনি। খোঙজং অসিনা মরম ওইরদুনা তোঙান ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### পুলিস কন্ট্রোল রুমদা ইলেক্ট্রিক লাক্তবদগী প্রেস রিলিজ ফংখিদ্রে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিদাং পুং ১১ তারক্লবা ফাওবদা মণিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমদগী দি আই পি আরগী খূথাংদা ফংগদবা 'প্রেস রিলিজ' ফংদবদগী পাউচে অসিনা কন্ট্রোল রুম অসিগী টেলিফোন নম্বরদা ঙসি নুমিদাং পুং ১১.০১দা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# কে এন ওগী হার্মোন কেম্পপু শামুকোনদা হোংলক্লবা থৌরাংগী মায়োক্তা মরিংশিংনা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** চেলেপতা লৈরকখিবা কুকি নেশনল ওর্গনাইজেশন (কে এন ও) হার্মোন কেম্পপু থা অসিগী ৪দা সূ শাংদোকহনখিবা য়ু পি এফ অমসুং কে এন ওগী মীহুৎশিংগা হোম মিনিষ্ট্রিগী ওফিশলশিংগা দেল্লীদা খূৎয়েক পীনখিবা য়ান-চেদা চেলেপতগী শামুকোনদা হোংদোকহন্নবা ৱারেপ লৌখিবা অমসুং মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎনবা হোৎনরকপদা মরিং ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশনশিংনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মরিং ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশননা থোকপা চেরোল অমদা করিগুম্বা কে এন ওগী হার্মোন কেম্প অসি চেলেপতগী শামুকোনদা হোংদোকহল্লক্লবদি ষ্টেট অসিগী বোর্দর দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা ফূরুপশিংগী মরক্তা অমুক হন্না নুংশিনদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্লবগী মচাক ওইগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

মরিং ফ্রন্টেল ...মখা লমায় ৩ কলম ১

# নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর (কংলৈপাক) খোঙচৎ বোইকোট তৌরে : কোরকোম

### মোদি লাক্কদবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১দগী মহাক্না ইরমদমসিদা লৈরিবা ফাওবা কোরকোমনা বোইকোট তৌবগা লোয়ননা মণিপুর (কংলৈপাক) তা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১০ :** থা অসিগী ১৩দা মণিপুরদা লাক্কনি হায়দুনা অকনবা থৌরাংশিং লৌখৎলক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মণিপুর (কংলৈপাক) খোঙচৎ কোরকোমনা বোইকোট তৌরে হায়না লালহৌলূপশিংগী অপূনলূপ ওইরিবা কোরকোমগী পব্লিসিটি কম্মিটিনা থোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থা অসিগী ১৩দা লোইমপু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মণিপুর (কংলৈপাক) তা লাক্কনি হায়রিবা খোঙচৎ অসি লমদমসিদা ঈং-তপ্পা, চাওখৎপা পুরক্লবা নত্তে। মহাক্কী থৌশিল অমসুং প্রোক্সি ৱারনা কাঙলূপ মশেল নুংশিনহন্দদুনা কাং-খোং চাইরবা লমদম অসিবু হেন্না ফীভম শোকহন্দুনা মখোয়গী লোইলম মরা চেৎহন্নবা মরৌ লৈবা খোঙচৎনি। মরম অদুনা মোদিনা লাক্কদবা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১দগী মহাক্না ইরমদম অসিদা লৈরিবা মতম ফাওবা কোরকোমনা বোইকোট তৌবগা লোয়ননা মণিপুর (কংলৈপাক) পুম্বা টোটেল শটদাউন লাউথোক্লে। অথিংবা অসিনা অনা-লায়েং, মৈহৌ-লাংপোক, ঈশিং অমসুং অশি-অনাগী থবক থৌরমশিংদি কোনশিল্লোই হায়রি।

ইন্দিয়া লৈঙাক মরু ওইনা নরেন্দ্র মোদি অমসুং অমিট শাহনা মণিপুর ...মখা লমায় ৮ কলম ৭







ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী, এদভর্টিজমেন্টগীদমক অমসুং রিদরস ক্যেরগীদমক মোবাইল নম্বর +৯১- ৯৭৭৪৮০৩১৪৫